থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱান্টেদ লাউথোকপগী অচুম অরান- ইলেক্সনফাও' ঙাইগদ্রা



নহানদগী ঙরাংফাওবা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইন্বা খোমদ্রাম রতনবু মণিপুর লৈঙাক্লা 'লুপা লাখ মঙাগী রিৱার্দ পুবা, ৱান্টেদ ওইরবা মীরোৎ অমনি' হায়না লাউথোকখিবদু হন্দোকউ হায়বা দিমান্দদা পুং ৪৮ গী মণিপুর বন্দ কৌখি। বন্দ-ব্লোকেদকী চৈনানা খামদৎলবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ফূবগী চৈনা ফাওদ্রবা অতোপ্পা চৈনা অমগা পীরকখি। ফনা কনবা ঈহৌ অমা হৌরসু তাররোই খন্না তাখিদ্রবা ৱাকৎ অদুদি সুক্তা তাররোইদবা লৈঙাক্লি হায়বদি চহী তরামরি উদুনা লাক্লবনি। থুগাইগেরা, য়ানখায়গেরা, মৈ থাগেরা, চরা হেনগেরা- তৌনিংবা তৌ ঐনা য়াদবা থবক্তুদি সুক্তৌ তৌরোই হায়বা, চীংজাওদগী হেন্না ৱারেপ চেৎপা লৈঙাকপুরেন'নি ঐখোয়গী। ঐখোয় স্বাইগী কম্মিটিদি হায়রুনু, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'না তুংদা ফৈগাক ফৈরি হায়দুনা সুপরমেন ওইরিবা মুইভা'না ময়ুম খুঙ্গং উখুলদা চঙ'নি হায়দুনা শেম শারকপা হাক্তক'তা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট ফাওবগা মুক্নখ্রিবা লুচিংবনি। তশেংনমক অকনবনি। অকনবদু শোন্থহনগে তৌবা ঈহৌ অমা হৌরকই- মাবু লাৎচরম্বা মচা মনাইশিংনি। ঈহৌদুগী খোল্লাউনি লমদমসিগী য়েলহৌমী, মীতোপ মীরানগী খুৎতগী কনগদবনি। তরাই তরাই খল্লুবা থিংঙমদবা ঈচেল ওইরকখি, মাঙ তাকহনবা ঈচাউ অমগী শক্লোন লৌরকখি। পীক্লবা চীং- ষ্টেটসি লানফম অমা ওইরক্কদৌরে খন, থিংনবা পান্থে থিরকখি। এসেমব্লী-বিলগী পোলিটিকেল দ্রামাগী কে-কু ফোঙলকখি। মায়োক্লবা লানফমদা অথৌবা খুৎলায় শীজিন্নবসু ঙল্লক্তা, বোম-তোপ-নোংমৈ নত্তবা খুৎলায় অমা থিরকই- ঈহৌ অসি নমথনবা/ঈংথহন্নবা/নাথৈহন্নবা।

খুৎলায় অদুগী মমিঙনি-সাইবর ক্রাইম। ঈহৌ অদুবু মমায় চুপ্লিবা কনভিনর রতনবু লানফমসিদৈ তান্থোকখিবা য়ানবা, কনাগুম্বা অমা নেক্লগা রতনবু আইন'না থিংখ্রবা লূপ অমগা মরী লৈনৈ হায়বা প্রমান ওইনবা ফেসবুক'তা থাগৎপা। থবক অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতুং নীনি কোনবদা লাউথোরকখি- রতনবু ফাবা নৎত্রগা ফাননবা পাউ পীবদা লুপা লাখ ৫গী মনা পীগনি।

অদুবু মণিপুর-পুলিস-ইন্টেলি-জেন্সকী অশোয়বা হায়গদ্রা, অশোনবা হায়গদ্রা, অমনা-ফোটোসোপ হায়না খঙনবা, কম্প্যুটরগী মতেঙনা ওইদা পাদবা ফোটো ময়াম অমা শেমদোক শেমজিন তৌনবা পান্থেদুগী মতেঙনা শেমদোক্লগা 'ফেসবুক'তা থাগৎলক্লিবা ফোটোদুদা অচৌবা অশোয়বা অনীখক ইফোং ফোংনা য়াওরিবদু, অচৌবগী য়াথঙদা থৌজিল্লবা থৌনা ফবশিংদুনা খঙহৌদ্রে। হৌজিক অশোয়বদু খঙলক্লবসু থৌজিনবা চেনশিন্দুনা চীক্লুরবনিনা, মপুদুগী য়াথং অনৌবা অমা ফংদ্রিফাওবা করিমত্তা তৌঙমদ্রে। মশাগী মবুদ্ধি-মরৌশিং খজিক্তা ওইরবসু শীজিন্নবা কোক অমনা খঙগদবা, মীয়াম্না পুথোক্তুনা ঙাঙনখ্রবা অশোয়বা (অচুম্বা) দু অমুক্তংগা নীংশিংজগে- (১) ফোটোদুদা মখোয়না (রতন য়াওনা) পায়রিবদু য়ু এন এল এফকী মীয়াম্না খঙনরবা ফিরালদু নত্তে; (২) ফিরাল পায়দুনা অচেৎপা ৱাশক লৌরিবা অমনা, স্লোগান অমা লাউবগুম মমিৎ পাঙদুনা খুৎতুম শীংগদবা নত্তে, রতন নত্তনা অতৈ লোইনমক মমিৎ উইশিন্দুনা অরোনবা ৱাশক শক্লি।

'ইন্দিয়ন লো'না শকখঙবা সাইবর ক্রাইমগী কম্মন ওইবা ক্রাইম... কনাগুম্বা অমগী ঈকায়খুম্নবা/মিংচৎ মাঙহন্নিংঙাই ওইবা ৱা নৎত্রগা লাই নৎত্রগা ফোটো অমা সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা... হায়বদুগী মনুং চনবা ক্রাইম অমনি খোমদ্রাম রতনগী মফমদা লঙশিল্লিবা। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্ট ২০০০ গী মতুংইন্না, অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইম অসি লঙশিল্লন্লিবা মীশক অদু চহী কয়া জেলদা থম্বা অমদি য়াম্লবা শেনফম ফাইন ওইনা থীহনবগী প্রোবিজন লৈ। হৌজিক হৌজিকমকসু নহা লীশিং কয়ানা, মখল কয়াগী সাইবর ক্রাইম চথুরম্বগী কৈশুমশঙদা লৈরি। রতনগী মতাঙ অসিদনা ক্রিমিনেল অদুবুনা ঈকায়খুম্ননা থল্লগা ভিক্টিম অদুনা চৈরাক পীবগী থৌওংদুমক্লি তারিবা। ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মতুং -লাক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমদি পুলিসনা তৌরিবা থৌওং অসিদগী ঐখোয় মসিমদি তশেংনা ময়েক শেংনা খঙই মদুদি- লৈঙাক্লা পান্বসি রতনবু ফাবা নত্তে। ফাগে নীংলবা নহান্না ফাবা ঙল্লমগনি। রতনগী লৈফমসু খঙলমগনি। ৱান্টেদ লাউথোকপদু হন্দোক্লে হেক লাউথোকপদা, খোমদ্রাম রতন মীকুপ খরগী মনুংদা মীয়াম মাঙদা থোক্লক্কনি। মরমদি, রতন-মীরোৎ নত্তে, মীচেন নত্তে, মীয়াম মরক্তা লৈ হায়বা পুলিস'সু খঙই। আই এল পি ঈহৌ নাথৈখিনবা দ্রামা শান্নবনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা খঙগদবসি-মীয়াম পুম্নমক মখোয়গুম ৱাখল য়াওদবা ঙাক্তা নত্তে হায়বসিনি। নরেন্দ্র মোদি'না সুমজিৎ পায়দুনা ৱাই শীৎপা, শেমজিনবা ফোটো অমা কুমজা ২০১৪ গী ইলেক্সন'দা কেম্প্যেইন মেটরিয়েল ওইনা শীজিন্নরুবা, অহমদবাদকী সোসল এক্টিভিষ্ট অমনা 'অচুম অরান শক্তাক্লবা আর টি আই এপ্লিকেসন থারুবদা অশেংবা ফোটো উৎথোরকখিবদুগুম, রতনগী মকোক হাপচিনখিবা অশেংবা ফোটোদু মীয়ামসিগী মফমদা উৎথোকহৌবা ফগনি। নৎত্রবদি চহী ফাদ্রবা কুমজা ২০১৭ কী ইলেক্সন'না অচুম্বা পাউখুম অমা থিরক্কনি, লৈঙাকসিনা পীয়ু য়াখিদবা।

লৌশিং পুক্কে

# এল ঈ দি লাইটনা থোকহল্লকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিং

ইনর্জি কঞ্জুম তৌবগী চাং হন্থনবনি হায়দুনা মীওই অয়াম্বা এল ঈ দি (লাইট ইমিটিং দাইওদ) শীজিন্নরক্লে। অদুবু এল ঈ দি লাইটনা মীওইবগী মীৎতা মতম পুম্বগী ওইনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।



মেদ্রিদতালৈবা কমপ্লুটেন্স য়ুনিভর্সিটিগী ইনভেষ্টিগেটর ডো. সেলিয়া সঞ্চেজ রেমোসনা হায়খি, এল ঈ দিগী মঙালনা মতম শাংনা য়ৈরবদি মীৎকী রেটিনা অমুক হন্না ফগৎপা ঙল্লরোইদবা মওংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। রেটিনাগী সেলশিং অমাঙ-অতা থোকখ্রবদি অমুক হন্না ফগৎলকপা ঙমদে, নৌনা অমুক শিন্দোকপসু য়াদে হায়না থিঙ্কস্পেন দোট কোমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, কম্প্যুটর, মোবাইল অমদি টি ভি স্ক্রিন, লোয়ননা ট্রাফিক লাইট অমদি ষ্ট্রিট লাইট পুম্নমক এল ঈ দিনা শিন্দোক্লরক্লবা মরম্না মালেমদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইহল্লকপায়াই।

মেদ্রিদতা লৈবা কমপ্লুটেন্স য়ুনিভর্সিটিগী ইনভেষ্টিগেটর ডো. সেলিয়া সঞ্চেজ রেমোসনা হায়খি, মীৎকী রেটিনানা অমুকপু অমাঙ-অতা থোকখ্রবদি ফগৎলকপা ঙমদে। রেটিনাবু অমাঙ-অতা থোকহল্লিবসি এল ঈ দি লাইটতা য়াওবা হিগোক মচুগী মঙালননি।



ডো. রেমোসনা হায়খি, চহী অমদা মীওইবনা মীৎ পাঙথোক্তুনা লৈবগী মতম অসি পুল্লপ পুনশিল্লবদি পুং ৬,০০০ লোমনি। হায়রিবা পুং ৬,০০০ কী মতম অসিদা খুৎশেমগী মৈঙালনা য়ৈবদগী মীৎতা অমাঙ-অতা থোক্লকই। য়াম্না তোয়না মীৎ কুপ্পা নৎত্রগা উইশিনবা তারবদি অমাঙ-অতা থোকপগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী। অল্ট্রা ভাইওলেট রে চঙবা ঙল্লোইদবা অফবা মখলগী সনগ্লাস অমা উপ্পগা লোয়ননা ভিটামিন য়াওবা চীঞ্জাক চাবা তারবসু মীৎপু খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

অমরোমদা, 'ইনভাইরো-নমেন্টেল সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি' জর্নেলদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, এল ঈ দি লাইটতা লেদ, অর্সেনিক অমসুং অতৈ হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা সবষ্টেন্স কয়ামরুম য়াওই। মরম অদুনা ইনর্জি সেভ তৌনবনি হায়দুনা এল ঈ দি লাইট শীজিন্নবনা হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফকেলি-ফোর্নিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোপ্যুলেসন হেল্ঠ এন্দ দিজিজ প্রিভেন্সননা ট্রাফিক লাইট, কার হেদ লাইট অমসুং ব্রেক লাইট য়াওনা তোঙান তোঙানবা এল ঈ দি মখল কয়ামরুমগী মরমদা থিজিল্লম্মী। মদুদা অঙাঙবা এল ঈ দিদা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা লেদ চাং ৱাংনা য়াওই হায়বা খঙলকখি। অঙৌবা এল ঈ দিদনা লেদকী চাং হন্থরবসু এলরজিক রিয়েক্সন থোকহনবা য়াবা নিকেল (হেভি মেটেল) চাং ৱাংনা য়াওই হায়বসু খঙলকখি। মসিগীসু মথক্তা এল ঈ দি মখল খরনা পাৎ অমসুং তুরেলদা লৈবা থৱায় পানবশিং হূ চেলহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোপ্যুলেসন হেল্ঠ এন্দ দিজিজ প্রিভেন্সননা হায়খি, অকায়বা এল ঈ দি বল্ব অমা তুরেলদা থাদখিবা মতমদা মদুদা য়াওবা কোপ্পরনা ঈশিংদা লৈবা ঙাশিং হূ চেলহনবা য়াই। ঙা অদু চারুবা মীওই কয়াবুনা কেন্সর নাহল্লকপা য়াই। ইমুংদা এল ঈ দি বল্ব অমা কায়বা থোক্লবদি অকায়বা মচেৎশিং শীৎতোক শেংদোকপদা হেন্দ গ্লোব অমসুং মাস্ক উপ্পা মথৌ তাই। মদুদা শীজিন্নরুবা সুমজিৎ অদু ফাওবা ইমুংদা থম্বদা খুদোংথিনিংঙাই ওই। হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈবাক অমত্তগী লোনা এল ঈ দিবু হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকপা লৈত্রি। অদুবু রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা এল ঈ দিগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিং ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

পুম্নমক অসি খঙলকপদগী অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (এ এম এ) না করম্বা মখলগী এল ঈ দি লাইট শীজিন্নগদে হায়বগী মতাংদা অনৌবা গাইদলাইনশিং ফোঙখ্রে। য়েংবদা অঙৌবা ওইনা উহল্লবসু হিগোক মচুগী এল ঈ দি লাইটনা মীৎ শোকহনবদা নত্তনা ব্রেনদসু অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়রি।

অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসনগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, এল ঈ দি লাইটকী ৱেভলেংথনা নুমীদাংদা ব্রেনদগী মেলাটোনিক থাদোরকপদা অকায়বা থোকহনবা মরম্না তূম্বগী মওং মতৌদা অপনবা পী। ইশম-শম্না হায়রবদা স্মার্টফোন অমদি টেব্লেটতগী থক্তোরকপা ব্লু লাইটনা থোকহনবা অমাঙ-অতাশিংগা চপ মান্নে। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা মীওইবদা অকায়বা পীরোইদবা ইনর্জিসু সেভ তৌগদবা লাইট মখল অমা পুথোক্লবা হোৎনরি।



মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দদা মীয়াম্না দিস্কু রোদতা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌবা

# ফংফম থোকপা চেঙ শুনা ফংহল্লু : ৱাই এস সী

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ

লম্লাই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ৮/৪ লৌশাংখোংগী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী হাউস হোল্দ কার্দ হোল্দরগী চেঙ শুনা য়েনবীদ্রে হায়না দ য়ুথ স্পোর্টস ক্লব, লৌশাংখোংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

দ য়ুথ স্পোর্টস ক্লব, লৌশাংখোংগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবা ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট অসি মণিপুরদা হৌখিবা এপ্রিল ২৫ দগী মণিপুর লৈঙাক্লা চৎনবা হৌখ্রবসু এক্ট অসি লম্লাই এ সীদদি মপুং ফানা চৎনদ্রে।

লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা লৌশাংখোংগী রেস্নিং এজেন্টনা চেঙ লাক্লে চেঙ লৌররো হায়দুনা পাউ চেল্লকপদগী কার্দ হোল্দরশিংনা চেঙ লৌবা চৎলুবা মতমদা ইমুং অমদা চেঙ কেজি ১৩ পীগনি মমলনা কেজি অমদা লুপা ৩ নি হায়রকখি। রেস্নিং এজেন্ট অদুদা ক্লবকী মীওইশিংনা করিগীদমক চেঙ শুদনা য়েল্লিবনো হায়না হংলুবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা পীবা অদু য়েনবনি হায়না খুল্লকখি হায়রি।

কার্দ হোল্দরশিং, মৈরা পায়বীশিং, ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা লায়রবা মীয়ামগী চাকখাউদগী মণিপুর লৈঙাক্লা লুট তৌবনি। মরম অদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা কার্দ হোল্দরশিংনা ফংফম থোকপা চেঙ শুনা পীয়ু। নৎত্রবদি কার্দ পায়রিবা মীওইশিংনা কার্দশিং অদু কঞ্জুমর এন্দ এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম অমদি ৱার্ক্সকী ফম পায়রিবা কে এস ঐচ বিরেনদা কার্দশিং অদু সরেন্দর তৌরগনি হায়রি।

# রিক্সো দ্রাইভর ফূরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ

কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দা চৎসি হায়দুনা রিক্সো তোংদুনা চৎলবা মতুংদা ভারা পীবগী মতাংদা নিংঙাই-শংদানরকপদগী মীওই অহুম্না রিক্সো দ্রাইভর ফূরকপগী থৌদোকপু ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এ) গী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দগী নুপী অমনা কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী মমাঙ রিক্সো পার্কিংদা লাক্লগা থৌবালগী চরাংপাৎতগী কাংঙবম অঙৌতোন কৌবা রিক্সো দ্রাইভর অসিদা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় ফাওবা চৎসি হায়দুনা থা অসিগী ২২ দা রিক্সো তোংদুনা লাকখি। মফম অদু য়ৌরবা মতুংদা ভারাগী মতাংদা ৱাহৈ খরা হায়নরুবগীদমক মশানা মশাবু হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টনি হায়জবা এস আই বিক্রম কৌবা মীওই অমনা লুচিংদুনা মীওই অহুম চঙদুনা রিক্সো দ্রাইভর অঙৌতোনবু তমথিনা ফূরকপগী থৌওং অদুবু এসোসিএসন অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়রি।

ইরমদম অসিদা লায়রবা রিক্সো থৌদুনা হিংনবগী লানফমদা অৱা-অনা কয়া মায়োক্নদুনা শুজ-নোমজরিবা ঐখোয়না ইরমদম অসিদা নোংমত্তা কাংদনা চথুরিবা বন্দ, ব্লোকেদকী চৈনা খাঙলিঙৈ মরক অসিদা অসিগুম্বা থৌওং অমা অমুক হাপচিল্লকপা হায়বসি তোল্ল-তারবশিংবুসু তুহৎপীবা থৌওংনি। নোংজু-নুংশা খাক্তনা মীয়ামগী থবক তৌজরিবা রিক্সো দ্রাইভরশিংবু শীজিন্নবা য়াবা শীজিন্নরবা মতুংদা তুহৎপীবা অমদি ফূবী-চৈবীবা হায়বসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে। রিক্সো দ্রাইভরশিংসু হিংনবগী লানফমদা ৱানা হোৎনজবতা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরম কয়াদসু লেপ্পুনা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মশানা মশাবু হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টনি হায়জবা মীশক অমনা হ্যুমেন রাইটসকী ৱাংমদা চমজরবা রিক্সো দ্রাইভর অমবু করিসু লৈতবা ভারা লুপা ১০ খক্কীদমক ফূ-চৈবীবা হায়বসি এসোসিএসন অসিনা হকচিন্না লৌই হায়রি।

রিক্সো দ্রাইভরশিংগী মরক্তসু লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়া অমসু রিক্সো থৌদুনা লৈরি। মরম অদুনা তোল্ল-তারবশিংবু হন্থনা য়েংবীবা, এস আই বিক্রম অমদি রিক্সো তোংদুনা চৎখিবা নুপী অদুগী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়রি।

# কবরষ্টান শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ

ৱাংখেম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৫ অমসুং ৬ কী মাইনোরিটি মীতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাইনিং-লাইশোনগী মফম অমা ওইরিবা য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈরিবা কবরষ্টান বি জে পিগী এক্টিব মেম্বর ওইনাম হরিদাসনা শেমজিনখ্রে।

য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈরিবা কবরষ্টান অসি মতম কুইনা মীয়ামগী মপী-মপা ওইরিবা অথরিটিম শেমজিনবীনবা হায়জরুবদা হন্না য়েংবীদ্রবা মতুংদা ৱাংখেম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা লাক্লিবা জেনরেল এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা বি জে পিগী এক্টিব মেম্বর ওইনাম হরিদাস সিংহনা মশাগী মরন্নাই শেল পুথোকচদুনা মশামকসু হকথেংননা য়াওদুনা কবরষ্টান অসি শেমজিন-শাজিনখ্রে হায়রি।

হায়রিবা কবরষ্টান ইদিগা অসি লাক্কদৌরিবা রমজান থা লোইবগী ইদকী লাই খুরুম্বা মীয়াম্না নমাজ শোনবা নংনবা শেমজিনগনি হায়না বি জে পিগী এক্টিব মেম্বর ওইনাম হরিদাসনা ফোঙদোরক্লি।

শেমজিন-শাজিনবগী থবক অদুদা য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা লৈকায়গী মীতৈ-পাঙলগী অহল-লমন কয়াসু শরুক য়াখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ

হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা কৈথেলমানবী সেক্তর আসাম রাইফলসকী তুলিহল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চবুং কম্পেনিগী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা দ্রোইং অমসুং পেন্টিং কম্পিটিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অদু প্রাইমারী অমসুং মিদল স্কুল হায়না গ্রুপ অনী থোক্লা পাঙথোকখি অমসুং পুন্না মহৈরোয় ৭০ রোম্না শরুক য়াখি। পীক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মশা-মশাগী হৈথোই-শিংথোইবদু উৎথোক্লবা মানা মানা পামজবা থীমদা লাই য়েকপা অদু চাংদম্নখি হায়রি।

DIRECT & SPOT ADMISSION - 2016

MBBS,BDS,MDS,BAMS,BHMS,BPT, MPT,
NURSING : B.Sc NURSING, GNM,
PB-NURSING, MSc. NURSING

BE / B-TECH / M-TECH / LAT-ENTRY

CIVIL / EEE / MECHANICAL, ECE / IT / ARCHITECTURE
COMPUTER SCIENCE, MECHATRONICS,
ARONOTICAL/ROBOTIC

B. Sc. / M. Sc.

AGRICULTURE, HORTICULTURE, FORESTRY, FISHRIES

B. Sc., B.A. & M.A., M. Sc. & Ph.D.

PHY., CHE., ZOO., BIO., MATH., I.T., MASS COM, HIS., POL. Sc.,
ENG, ECO, GEPHY, GEO, SOCIOLOGY, FORENSIC Sc.

BBA, BCA, BIO-TECH, FOOD-TECH, BMLT, OPTHALMIC,
FOOD NUTRITION & DIETETICS, B.PHAM, D.PHAM,
MEDICAL MICROBIOLOGY, RADIOLOGY, TOURISM,
MASS COM, ART & SCIENCE, MLT, OT-TECH, RADIOLOGY,
DAILYSES, X-RAY, MRI, CARDIOLOGY, CT-SCAN, ETC.

সার্দ ফ্ত গর্
PROGRESSIVE EDUCATIONAL COUNSEL
Singjamei Leishangthem Leikai opp. Library
SINGJAMEI - #9089335398 THOUBAL# 9089267407

HL-B/3128/7/06-0607

থাদোকপা ঙম্বশিং

অশেংবা মায় পাকপশিংনি

নহাক্কী দ্রগকী হৈনবী থাদোকউ। অমসুং ঐখোয়দা এদিক্সন মায় পাক্লা লাকহৎপা ঙমখিবগী ৱারীদু লিয়ু। নহাক্কী ৱারীদু লৈবাক অসিগী পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই মচাক অমা ওইবা য়াই। মখোয়গী দ্রগকী দিমোনশিংবু মায় পাক্লা লাকহৎখিবা অমসুং মখোয়গী তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল মপুং ফানা ফুদোকপা ঙমখিবা মীওইশিংবু ঐখোয়না ঈকায় খুম্নবা পাম্মী। থাদোক্তুনা মায় পাকপশিং ওইরকখিবা মীওইশিং। "হকচাং ফনবগী খল্লু, দ্রগশিংগী খনগনু" হায়বসিগী মরুওইববু খঙবা মীওইশিং।

হকচাং ফনবা খল্লু

দ্রগশিংগী খনগনু

মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
www.socialjustice.nic.in
www.pmindia.gov.in | www.mygov.nic.in

এলকোহোলিজম অমসুং দ্রগ এব্যুজ থিংনবগী টোল ফ্রী ওইবা নেসনল হেল্পলাইন : ১৮০০-১১-০০৩১

davp 38101/13/0024/1617